# ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্টনা মীওই ১৫০ দ্রগকা মরী লৈনৈ হায়না ফোঙনা লাউথোকখ্রে



মনিলা, ওগষ্ট ০৭ ঃ

ফিলিপিন্সকী প্রসিদেন্ট রোদ্রিগো দ্যুটর্টেনা জজ, মেয়র, লোমেকর, পুলিস অমসুং মিলিটরি পার্সনেল ১৫০ হেন্না লোগী মায়োক্তা ওইবা মওংদা দ্রগকা মরী লৈনৈ হায়না ঙসি ফোঙনা লাউথোকখ্রে অমসুং ইনভেষ্টিগেসন চত্থবা য়ানবা সরেন্দর তৌনবা মখোয়দা ওর্দর তৌখ্রে। লৈবাক অদুদা 'লাইচৎ' অমা ওইরক্লবা প্রোব্লেম অদুগী মায়োক্তা মহাক্না চঙশিল্লকখিবা মীশি-মীনা য়াওবা মহাক্কী লাঞ্জং কনশিনখিবগা লোয়ননা প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেদা খোঙথাং অদু লৌখৎখিবনি।

দ্রগকা মরী লৈনৈ হায়না মমিংশিং লাউথোকপদা য়াওখিবা মিলিটরি অমসুং পুলিসকী মেম্বরশিংবু দ্যুটর্টেনা য়াম্না থুনা মখোয়দা শিন্নবা দ্যুটিশিং লৌথোকখ্রে অমসুং মহাক্না লৈবাক মীয়ামদা টেলিভিজনদা ৱা ঙাঙবদা মশক মমিং ফোঙদোকখিবা পোলিটিসিয়নশিং অদুদগী গভর্ণমেন্টকী সিক্যুরিটি পার্সনেল পুম্নমক লৌথোক্লবসু ওর্দর তৌখ্রে। মহাক্না মমিং পনখিবা মীওইশিংগী নোংমৈগী লাইসেন্সশিংসু কেন্সেল তৌনবা ওর্দর তৌখ্রে।

'মীওইশিং অসিদা এটেচ তৌবা মিলিটরি অমসুং পুলিসকী মীওই খুদিংমক, ঐহাক্না নখোয়দা নখোয়গী মাদর য়ুনিটতা রিপোর্ট তৌনবা পুং ২৪ গী মতম পীরি। করিগুম্বা রিপোর্ট তৌদবা থোক্লবদি ঐহাক্না নখোয়বু ফুগনি। ঐহাক্না নখোয়বু থবক্তগী লৌথোক্কনি' হায়না দ্যুটর্টেনা সাউদর্ন দাভাও সিটিদা লৈবা মিলিটরি কেম্প অমদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি।

মহাক্না হায়খি মদুদি, মিলিটরি অমসুং পুলিসনা মঙোন্দা শিন্নরকখিবা পোলিটিসিয়নশিং, জজশিং অমসুং লো ইনফোর্সরশিংগী লিষ্ট অদু চুম্লম্বসু য়াই চুম্লমদবসু য়াই, তৌইগুম্বসু মহাক্না মথৌ অমা ওইনা মীয়ামদা লৈবাক অদুগী দ্রগকী প্রোব্লেম অদু অদুক্কী মতীক লুশিল্লক্লে হায়বদু খঙহনবা তাই।

ঐঙোন্দা লাকফম থোকপা প্রোসেস ঙাইবগী ৱাফম লৈতে হায়বগা লোয়ননা দ্যুটর্টেনা হায়খি, 'নখোয়না ঐহাকপু খাম্বা ঙম্লোই, নখোয়না ঐহাক জেল চঙগনি হায়রবসু ঐঙোন্দা মদুগী অকিবা লৈতে।'

দ্যুটর্টেকী ৱারোল মতুং ইন্না মরুপ মপাং খরসু য়াওখিবা মী মমিংশিংগী লিষ্ট অদু ওথোরিটিশিংনা কনফার্ম তৌখ্রে। তৌইগুম্বসু লিষ্টতু দা ওফিসলশিংদুনা দ্রগ লল্লোনবগা মরী লৈনবা অকুপ্পা মরোলশিং নৎত্রগা ইভিদেন্স অমত্তা ওফর তৌখিদে। মমিং খরদি মপুং ফাদনা ইখি অদুগা অতৈনা রেঙ্ক অমসুং গভর্ণমেন্ট পোজিসন অমত্তা পনখিদে।

মখোয়শিং অদুগী মনুংদা জজ নিপান, থবক্তগী পোত্থারবা অমসুং হৌজিক লৈরিবা জেনরেল মঙা য়াওখি। অতৈ অয়াম্বনা টাউন মেয়রশিং অমসুং পুলিস ওফিসরশিং ওইখি। দ্যুটর্টেনা মমাঙদা ইফোং ফোঙনা পনখিবা ভিসেন্ট লুট কৌবা থবক্তগী পোত্থারবা জেনরেল অমনা মঙোন্দা শিরিবা মরালদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকখি।

'মসি লৈবাক শিন-থুংনা শনে দারক্লবা লায়না নৎত্রগা প্রোব্লেম অমা ওইরক্লে' হায়না অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোক্কনবা হান্নগী দাভাওগী মেয়র অদুনা হায়খি। দাভাওদা মহাক লোগী মায়োক্তা ওইবা মীশি মীনা কয়া থোকহন্দুনা ক্রাইম কয়া লাকশিনবগী মমিং লৈখিবা মীশক্নি হায়রি।

প্রসিদেন্ট দ্যুটর্টেনা থা অমা হেনবগী মমাঙদা ওফিস পায়বা হৌখিঙৈদগী দ্রগকী মায়োক্তা চঙশিনখিবা লাঞ্জংদা হৌজিক ফাওবদা দ্রগ দিলর অমসুং পুসরশিংনি হায়না চিংনবা মীওই ৪০০ হেন্না শিখ্রে অমসুং মীওই ৪,৪০০ হেন্না ফাগৎখ্রে। থৱায় কনবিগনি হায়বগী থাজবগা লোয়ননা মীওই ৬০০,০০০ রোম ওথোরিটিশিংদা সরেন্দর তৌখ্রে।

মী ফাবা-পুনবা অমসুং তান্নবগী থবক্তু ফিলিপিন্সকী হন্দক্কী পুৱারীদা খ্বাইদগী চাউবা অমসুং মীশি-মীনা থোকপা ওইখিবগা লোয়ননা মদুনা হ্যুমেন রাইটস গ্রুপশিং অমসুং লৈবাক অদুগী দোমিনেন্ট রোমন কেঠলিক চর্চতা মীপায়বা পোকহনখ্রে।

তৌইগুম্বসু দ্যুটর্টেনা মখোয়দা নুংনাংবা পোক্লিংঙাই ওইদে হায়খি অমসুং ক্রাইমদা চেন্নবনি হায়না চিংনবশিংবু ইফোং ফোঙনা হাৎকনি হায়না কিহনখি। লোয়ননা মহাক্না লো ইনফোর্সরশিংদা ক্রাইম থেংনবদা লো স্যুটশিং মায়োক্লরকপা তারবদি মহাক্না কনবিগনি হায়বগী থাজবা পীখি। 'মখোয় জেল চঙবগী ৱাফম লৈতে হায়না ঐহাক্না হৌজিক থাজবা পীরি, ঐহাক্কী মীৎয়েং মখাদা মদু থোক্লোই' হায়না মহাক্না হায়খি।

# অরোন-অথুপকী থবক তৌরম্বগীদমক্তা মরমদমদা থাখিবা অমেরিকন অমা পাকিষ্টাননা অমুক ফাজিনখ্রে

ইস্লামাবাদ, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) ঃ

রেমন্দ দাভিসকী কেস হঞ্জিল্লকপগা য়াম্না মান্নবা থৌওং অমদা ইস্লামাবাদনা ঙরাং হায়খ্রে মদুদি পাকিষ্টাননা চহী কয়াগী মমাঙদা অরোন-অথুপকী থবক থৌওংশিং চত্থরম্বগীদমক্তা মরৈবাক্তা থাখ্রবা য়ু এসকী সিটিজন অমা ব্লেকলিষ্টতা য়াওবা লৈন-লৈনা ইস্লামাবাদতা অমুক পাইশিল্লম্বদগী ফারে।

মাথিউ ব্রেইগ বারেট কৌবা অলাবামাদগী অমেরিকন অদু হান্না কুমজা ২০১১ গী মেদা অৱাংবা থাক্কী অরোনবা মিলিটরি রিছার্স ফেসিলিটি অমগী মনাক্তা লৈবা ফাতেহ জং এরিয়াদগী ফাখিবনি হায়না এসোসিএটেদ প্রেসনা ফোঙদোকখি।

ফাতেহ জং অসি পাকিষ্টানগী ন্যুক্লিয়র ফেসিলিটি থম্বা মফমশিংগী মনুংদা অমনি হায়না লোন্না খঙনৈ। মশাগী চহী ৩৩ শুরবা বারেট ব্লেকলিষ্ট তৌখি অমসুং কুমজা ২০১১ দা পাকিষ্টানদগী ময়ুম লৈবাক য়ু এসতা স্পায়িং তৌরম্বগী মরালগা লোয়ননা থাখি হায়না দোন পাউচেগী রিপোর্টনা হায়খি।

'কনাগুম্বা অমা ব্লেকলিষ্ট তৌবা তারবদি অরুবা অমদি লৈফম থোকই' হায়না লৈবাক অদুগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমা ওইৎরবা সরফারাজ হুসাইনগী ৱারোল পল্লদুনা এ পিনা হায়খি।

নীংশিংবা য়াই মদুদি চহী মঙাগী মমাঙ কুমজা ২০১১ গী জন্যুৱারীদা সেন্ট্রেল ইন্টেলিজেন্স এজেন্সি (সি আই এ) গী কন্ট্রেক্টর রেমন্দ অলেন দাভিসনা লাহোরদা নুপা অনী নোংমৈনা কাপ্পুনা হাৎখি। থৌদোক অদুগা লোয়ননা মদুগী মতুং তারকপদা ওইরকখিবা ফীভমশিংনা মরম ওইদুনা য়ু এস-পাকিষ্টান দিপ্লোমেটিক মরী মমাঙদা ওইখিদ্রিবা মওংদা খ্বাইদগী ফীভম শোকচিল্লকখি।

দাভিসপু পাকিষ্টানি পুলিসনা ফাখি তৌইগুম্বসু য়ু এস গভর্ণমেন্টনা হায়খি মদুদি, লাহোরদা লৈবা য়ু এস কোন্সুলেটকী ইমপ্লোয়ী অমা ওইনা মহাক দিপ্লোমেটিক ইম্মুনিটি ফংবা য়ানা ক্বালিফাইদ ওই। মহাক থা অহুম লৈরগা কুমজা ২০১১ গী মেদা থাদোকখি। অমেরিকন অমসুং পাকিষ্টানি ওফিসলশিংগী মরক্তা চয়োল কয়া লোন্না নিগোসিয়েসন চত্থবগা লোয়ননা ভিক্টিমশিংগী ইমুংদা দোল্লর মিলিয়ন কয়া ঈগী মমল ওইনা পীগনি হায়না থাজবা পীরবা মতুংদা অমেরিকন স্পাই অদু থাদোকখিবনি হায়না ন্যু য়োর্ক টাইমসনা হায়খি।

মী ফাবগী খ্বাইদগী নৌবা থৌদোক ওইনা বারেটপু ফাখিবদু অমেরিকন অসিনা ইস্লামাবাদতা পাইশিন্দুনা গেষ্ট হাউস অমদা মমিং রেজিষ্টার তৌরবা মতুং পুং খরা লৈরগনি হায়না পাকিষ্টান্না ফোঙদোকখি। মহাকপু ফাবগী ৱাফমদু ঙরাং ফোঙদোকখিবা ওইরবসু চপ চানা করম্বা মতমদা মহাকপু ফাখিবগে নৎত্রগা করম্বা মতমদা বারেটনা ইস্লামাবাদতা চঙলকখিবগে হায়বা শেংনা খঙদ্রি।

দোনগী পাউনা হায়খি মদুদি, বারেটনা পাকিষ্টান্দা চঙবা য়ানবা দোক্যুমেন্টশিং শেম শাখি। লৈবাক অদুগী ফেদরেল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সি (এফ আই এ) না হায়খি বারেটপু এফ আই এগী সব-ইন্সপেক্টর অমসুং মহাক্কী মচানুপানা ইস্লামাবাদ/ৱাৱলপিন্দিদা লৈবা বেনাজির ভুটো ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতা চঙহনখি।

বারেটনা মহাক্কী ভিজাদু হাউষ্টন্দা লৈবা পাকিষ্টান কোন্স্যুলেটতগী লৌখি অমসুং এয়রপোর্টকী ইম্মিগ্রেসন কাউন্টরদগী ক্লিয়ারেন্স লৌনবা হোৎনখি হায়না পাকিষ্টানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমনা হায়খি।

# চাইনানা জপানগা য়েৎনরিবা ঈশিংগী শরুক্তা রাদর থমজিনখ্রে



টোকিয়ো, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) ঃ

ইষ্ট চাইনা সিগী য়েৎনরিবা মফম অমদা চাইনানা মিলিটরিগী হিরমশিংদা শিজিন্নবা য়াগদবা রাদর অমা ইন্সটোল তৌখ্রে হায়না নোংমাইজিং নুমিৎতা জপানিজ মীদিয়ানা ফোঙদোকখ্রে। লৈবাক অনীগী মরক্তা লাকখিবা খ্বাইদগী নৌবা উংখৎনবগী ফীভমদা চাইনানা য়েৎনরিবা মফমদুদা মিলিটরি ফঙ্কসনশিং য়াবা রাদরদু ইন্সতোল তৌখিবনি।

জপানিজ ফোরন মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, লৈবাক অনীমক্না ক্লেইম তৌবা গ্যাসফিল্ড অমদা লৈবা মখোয়গী ষ্ট্রকচরশিংগী মনুংদগী অমদা চাইনানা সর্ফেস সার্চ রাদর অমসুং সর্ভেলেন্স কেমেরা অমা থমখ্রে হায়না নীক্কি বীজনিস দেলিগী পাউনা হায়খি। ইরাই নুমিৎতা মিনিষ্ট্রি অসিনা দিপ্লোমেটিক চেন্নেলশিংগী খুত্থাংদা বৈজিংদা কমপ্লেন তৌখি হায়না পাউচে অদুনা হায়খি।

মখা তারদুনা রিপোর্ট অদুনা হায়খি মদুদি, মদু থাউ অমসুং গ্যাসকী দিপোজিটশিং মরাং কায়না লৈ হায়না থাজনবা এরিয়া অদুদা লৈবা চাইনিজ ষ্ট্রকচরশিংগী মনুংদা অমদা ইহান হান্না ইন্সটোল তৌখিবা রাদর য়ুনিটনি।

টোকিয়োনা হৌজিক রাদর অদুনা তৌবা ঙম্বশিং এনালাইসিস তৌবগা লোয়ননা বৈজিংনা ইষ্ট চাইনা সিদা মিলিটরি পৱার শেমগৎ-শাগৎলকপা পাম্বগী মওংরা হায়না চিংনবা পোক্লি।

ফোরন মিনিষ্ট্রিনা রিপোর্ট অদুগী মতাংদা কম্মেন্ট পীনবা হায়জরকখিবশিংদা খুদক্তা রেস্পোন্দ তৌখিদে। কুমজা ২০০৮ দা জপান অমসুং চাইনানা য়েৎনরিবা মফমদুগী ঈশিং মনুংদা লৈরিবা রিজার্ভশিংদু পুন্না দিভলপ তৌমিন্নবা হায়না য়ানখিবগা লোয়ননা নাকল নাম্মনা দ্রিল্লিং তৌবদা অথিংবা থমখি। তৌইগুম্বসু নাকল অনীগী নিগোসিয়েসন লেপখি অমসুং চাইনানা জপানগা তাইনবা দি ফেক্টো মেরিটাইম বোর্দরগী মনাক নক্না দ্রিল্লিং রিগ খরা পাঙথোক্লি হায়না টোকিয়োনা চিংনরি।

য়েৎনরিবা ইষ্ট চাইনা সিগী ঈথৎশিংগী মরক্তা লৈবা জপানগী ঈশিংগী শরুকশিংদা চাইনিজ সিপ অনী থৌজিল্লকখ্রবা মতুংদা নোংমাইজিং নুমিৎতা টোকিয়োনা বৈজিংদা তোঙান্না প্রোটেষ্ট তৌখ্রে।

# থাংনা এটেক তৌদুনা নুপী পুলিস অনী শোকহনখিবা অমা কাপ্পুনা হাৎখ্রে

ব্রসেলজ, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) ঃ

জিহাদিষ্ট এটেক কয়া পরিং নাইনা চত্থরকখিবদগী মীয়াম্না মখা করি থৌদোকশিং থোক্লকখিগদগে হায়না ৱানরিবা য়ুরোপকী সাউদর্ন বেলজিয়মদা ঙরাং থাংপাক পায়বা 'অলাহু অকবর' হায়না লাউখিবা নুপা অমনা নুপী পুলিস অনীদা এটেক তৌখ্রে। থাংগী এটেক অদুদা নুপী পুলিস অনীদু শোকখিবগা লোয়ননা পুলিসনা এটেক্কর অদু কাপ্পগা হাৎখ্রে।

ব্রসেলজদগী খারোমদা কিলোমিটর ৬০ রোম লাপ্না লৈবা চারলেরোই সিটিগী মরু ওইবা পুলিস ষ্টেসনগী মপান্দা চত্থখিবা এটেক অদুদা পুলিস নুপী অমা মায়দা থাংফম লুনা শোকখি অদুগা অমদুনা থোইদোক্না লুদবা ফীভমদা শোকখি হায়না বেলগা ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

এটেক্কর অদু কাপ্পুনা হাৎখ্রে অমসুং ভিক্টিম অনীদু খুদোংথীনিঙাই ওইদ্রে হায়না চারলেরোই পুলিসনা হায়খি। হৌখিবা মার্চ ২২ দা সুইসাইদ বোম্মরশিংনা ব্রসেলজ এয়রপোর্ট অমসুং য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী ইন্সটিট্যুসনশিংগী মনাক্তা লৈবা সবৱে ষ্টেসন অমদা এটেকশিং চত্থখিবদগী বেলজিয়মদা থা কয়া অৱাংবা থাক্কী সিক্যুরিটি এলার্ট লৈরকখিবনি। এয়রপোর্ট অমসুং সবৱে ষ্টেসনগী এটেকশিং অদুদা মীওই ৩২ শিখি। এটেকশিং অদু ইরাক অমসুং সিরিয়াদা পাক চাউরবা টেররিষ্টশিং কন্ট্রোল তৌরিবা অমসুং হৌখিবা চহীদা য়ুরোপ্তা চত্থখিবা এটেক কয়া ক্লেইম তৌখ্রবা ইস্লামিক ষ্টেট (আই এস) জিহাদিষ্ট গ্রুপনা ক্লেইম তৌখি।

বেলজিমগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টর জান জমবোননা মহাক্কী ত্বীটর একাউন্টদা 'চারলেরোইগী হঙ্গোইনিঙাই ওইরবা এটেক' অদুবু কন্দেম তৌখি অমসুং মরিগী থাক লৈবা স্কেলদা হৌজিক থাক অহুমদা লৈরিবা লৈবাক অদুগী টেরর থ্রেটকী লেভেল অদু নৌনা য়েংশিল্লগনি হায়খি।

বেলজিয়মদা প্লান তৌখিবা কুমজা ২০১৫ গী নভেম্বরদা ফ্রান্সকী কেপিটেল পেরিসতা চত্থখিবা এটেকশিং অদুগী মতুংদা বেলজিয়ন পুলিসনা এন্টি-টেরর রেইদ কয়া চত্থখ্রে। বেলজিয়মদা প্লান তৌরগা বেলজিয়ন এক্সত্রিমিষ্টশিংনা শরুক য়াদুনা পেরিসতা চত্থখিবা শাথিরবা এটেক অদুদা মীওই ১৩০ শিখি।

হৌখিবা থাদা পুলিসনা নৌরিদিন ঐচ কৌবা মশাগী চহী ৩৩ শুরবা নুপা অমা ফাখিবা লোয়ননা টেররিষ্টকী মীহাৎ চত্থনবা হোৎনবগী মরাল শিখি। মঙোন্দা 'টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসন অমগী থবক থৌরমশিংদা শরুক য়ারম্বগী মরালসু শিখি।

প্রোসিক্যুটরশিংনা হায়খি, হৌজিক ফাওবগী ওইনদি ব্রসেলজগী সুইসাইদ এটেকশিং অদুগা থাংগী এটেক অদুগা মরী লৈনবগী খুদম চাংদম ফংদ্রি। বেলজিয়ম অসি সিরিয়াদা আই এসকী লালদা শরুক য়ানবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লৈবাকশিংগী মনুংদা মীশিংগা য়েংনবদা জিহাদিষ্ট রিক্রুট মশিং খ্বাইদগী চৎখিবা লৈবাকনি। মদুনা জিহাদিষ্টশিং অদু লালগী এক্সপরিয়েন্সকা লোয়ননা অমসুং হেন্না শাথিবা ৱাখলশিং চূশিল্লগা লৈবাক অদুদা হল্লক্কনি হায়বগী অকিবা ফোঙদোক্লুখি।

ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি, বেলজিয়ম নুপা অমসুং নুপী ৪৫৭ লৈবাক্তু থাদোক্তুনা চৎখ্রে নৎত্রগা মিদ্দল ইষ্টতা জিহাদিষ্টশিংদা য়াওশিন্নবা হোৎনখ্রে। মখোয়গী মনুংদা মীওই ৯০ দি থিবা খঙখিদ্রে নৎত্রগা শিখ্রবনি হায়না লৌনরি।

বেলজিয়মনা চহী অসিদা সিরিয়াদা অহানববা এন্টি-আই এস ওপরেসন অমদা শরুক য়াখি। চহী অসিগী মার্চতা ব্রসেলজগী মীশি-মীনাগী থৌদোকশিং অদুদা হকথেংননা চেন্নখিবা কয়া পেরিসতা হৌখিবা চহীগী নভেম্বরদা চত্থখিবা বোম অমসুং নোংমৈগী এটেকশিং অদুগা হকথেংননা মরী লৈনখি।

সেন্ট্রেল ব্রসেলজতা পাঙথোকপা কুমজা ২০১৬ কী য়ুরো ফেনজোন অমদা এটেক চত্থনবা থৌরাং তৌখি হায়বা রিপোর্টশিংগী মরক্তা বেলজিয়ন ওথোরিটিশিংনা মীওই অনীদুবু টেররিষ্টকী ক্রাইমশিং চত্থবগী মরাল শিখিবনি।

মদুগী মতুংদা বেলজিয়মদা লৈবাক অদুগী জুলাই ২১ নেসনেল ডে সেলেব্রেসন্সকীদমক্তা সিক্যুরিটি কনখৎহনখি। ফ্রেঞ্চ সিটি নীশতা হৌখিবা জুলাই ১৪ দা বাষ্টিল ডে নুমিৎতা শাথিরবা ত্রক এটেক অমদা মীওই ৮৫ হাৎখিবা মতুংদা চেকশিল থৌরাংদু লৌখৎখিবনি।



# ইরান্না য়ু এসতা চেনখিবা ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট অমা হাৎখ্রে

টেহরান, ওগষ্ট ০৭ (এজেন্সী) ঃ য়ু এসতা চেনখিবা ইরানগী ন্যুক্লিয়র সাইন্টিষ্ট অমা ইরানিয়ন ওথোরিটিশিংনা হাৎখ্রে হায়না রিপোর্ট খরনা হায়রি।

শহরম অমিরি কৌবা মীওই অদু মালেক অশটর য়ুনিভর্সিটি ওফ টেক্নোলোজিগী ন্যুক্লিয়র রিছার্চর অমা ওইরম্মী অমসং ইরানগী এটোমিক ইনর্জি ওর্গনাইজেসনগী থবক তৌখি। মহাক ইরানগী ন্যুক্লিয়র প্রোগ্রামগী মরমদা অকুপ্পা নোলেজ লৈবা মীশক্নি হায়না লৌনৈ।

অমিরি কুমজা ২০০৯ দা সাউদি অরাবিয়াদা লাইফমলেনশিংদা চৎখিবদগী মতম খরা মাংখি অমসুং মতম খরা লৈরবা তুংদা ৱাশিংটনদা অমুক ফাওগৎলকখি।

য়ু এসতা লৈরিঙৈগী মনুংদা মহাক্না ভিদিও কয়া পরিং নাইনা রেকোর্দ তৌদুনা ওন লাইনগী খুত্থাংদা ফোঙখি। অহানবদা মহাক্না মহাকপু য়ু এস অমসুং সাউদি এজেন্টশিংনা কিদনেপ তৌখি অমসুং 'অকনবা সাইকোলোজিকেল প্রেসরগী মখাদা অরুবা ইনফোর্মেসন কয়া নম্ফুদা ফোঙদোকহনখি' হায়না ক্লেইম তৌখি। অনীশুবা ভিদিও অমদা মহাক্না মহাক অরিজোনাদা লৈ অমসুং মফমদুদা ষ্টদি তৌবা পামই হায়খি। মদুগী মতুংদা থাগৎলকখিবা ভিদিও অমদা মহাক্না মহাক ময়ুমদা চৎপা পামই হায়খি। মহাক হৌখিবা কুমজা ২০১০ দা ময়ুমদা থুংলরবা মতুংদা ফাজিন্দুনা থমখি অমসুং মতম শাংনা মীয়াৎ পীখি। মমাঙদা য়ু এসকী ওফিসলশিংনা অমিরি মরন্নাইগী ওইবা ৱাখলনা চেল্লকখিবনি অমসুং মহাক্না য়ু এসতা 'কান্নরবা ইনফোর্মেসন' কয়া পীখি হায়না ক্লেইম তৌখি।

# EMPLOYMENT NEWS

## GMCH Chandigarh Recruitment 2016

Government Medical College & Hospital Chandigarh invites application for the post of 124 Staff Nurse on temporary Basis. Apply Online before 15 September 2016.

**Job Details :**
Post Name : Staff Nurse
No. of Vacancy : 124 Posts
Pay Scale : Rs. 10300-34800/-
Grade Pay : Rs.4600/-

**Eligibility Criteria for GMCH Chandigarh Recruitment :**
Educational Qualification : Diploma in General Nursing & Midwifery course from recognized board/university Institution or B.Sc Nursing or equivalent from recognized board/ university/Institution & Registered as Nurse & Midwife with state nursing council.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 25 years as on 01.01.2016
Age Relaxation :
For SC/ST Candidates : 05 years
For OBC Candidates : 03 years
Job Location : Chandigarh
Selection Process : Selection will be made on Written Test & Interview.

**Application Fee :** Candidates belonging to SC/ST have to Pay Rs. 250/- & Rs. 500/- for all other categories through Challan of any branch of State Bank of India. PH candidates are exempted from the payment of fee.

**How to Apply GMCH Chandigarh Vacancy :**
Interested candidates may apply Online through the website **http://www.gmch.gov.in/** on or before 28.06.2016.

**Important Dates to Remember :**
Last Date for Submission of Online Application : 15.09.2016

## Join Indian Army Recruitment 2016

Indian Army invites Application from unmarried Male Engineering Graduates studying in Pre-Final Year (III Year) in academic session 2016-17 for Grant of Short Service Commission into (27th UES) University Entry Scheme Pre Final Year (Jul 2018). Apply Online before 08 September 2016.

**Job Details For Indian Army :**

Post Name : (27th UES) University Entry Scheme Pre Final Year Course
No. of Vacancies : 30 Posts
Engineering Streams wise Vacancies :
Civil : 07 Posts
Mechanical : 03 Posts
Electrical/Electrical & Electronics : 04 Posts
Computer Sc & Engg/Computer Technology/Info Tech/M.Sc (Computer Sc) : 04 Posts
Electronics & Telecommunication/Telecommunication
Electronics & Communication/ Satellite Communication : 04 Posts
Electronics : 02 Posts
Metallurgical : 02 Posts
Electronics & Instrumentation/Instrumentation : 02 Posts
Micro Electronics & Microwave : 02 Posts

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**

Educational Qualification : Candidates studying in the Pre-Final year (in academic session 2016-17) of the Engineering Course in recognized Universities/Institution/Colleges in the relevant subjects will be eligible to apply for 27th University Entry Scheme (Jul 2018) Couse.

Nationality : Indian
Age Limit : 18 to 24 years as on 01 Jul 2018. (Candidates born between 02 Jul 1994 and 01 Jul 2000 both dates inclusive).
Job Location : All India

**How to Apply Indian Army Vacancy :**

Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 09.08.2016 to 08.09.2016.

**Important Dates to Remember :**

Starting Date For Submission Of Online Application : 09.08.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 08.09.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_23_1617b.pdf

**Join Indian Army Recruitment – JAG Entry Scheme 18th Course (20 Vacancies) – Last Date 15 September 2016**

Indian Army invites Application from Law graduates (married / unmarried male and unmarried Female candidates) for grant of Short Service Commission in the Indian Army for JAG Entry Scheme 18th Course in 20 Vacancies Apr 17 in Judge Advocate General Department. Apply Online before 15 September 2016.

**Job Details For Indian Army :**

Post Name : JAG Entry Scheme 18th Course
No. of Vacancies : 20 Posts (Male – 13 Posts & Female – 07 Posts)

**Eligibility Criteria to join Indian army Recruitment :**
Educational Qualification : Minimum 55% aggregate Marks in LLB Degree (three years professional course after graduation or five years course after 10+2 examination). The candidates should be eligible for registration with Bar Council of India/State. Candidate should be from a College/University recognized by Bar Council of India.

Nationality : Indian
Age Limit : 21 to 27 years as on 01 Jan 2017 (Born not earlier than 02 Jan 1990 and not later than 01 Jan 1996, both dates inclusive)
Job Location : All India

**How to Apply Indian Army Vacancy :**

Interested Candidates may apply online through the website www.joinindianarmy.nic.in from 17.08.2016 to 15.09.2016.

**Important Dates to Remember :**
Starting Date For Submission Of Online Application : 17.08.2016
Last Date For Submission Of Online Application : 15.09.2016
Important Links :
Detail Advertisement Link : http://www.davp.nic.in/WriteReadData/ADS/eng_10601_22_1617b.pdf
Apply Online : http://joinindianarmy.nic.in/Alpha/index.htm

